**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২২-০৪-২০২৪, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা ঙসি অমুক হন্না ভোট থাদনখ্রে, চাদা ৮৫ গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি।

২) এন.পি.এফকী মীরেপ কে.তিমোথি জিমিকা হায়রি-মহাকা করিগুম্বা মীখলদা মায়পাক্লক্লবদি মনিপুরদা শান্তি পুরকবা হোৎনগনি।

৩) মনিপুরদা হয়েং খোংজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কনি।

৪) মালেমগী অতৈ মফমশিংদ পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড আর্থ ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে ।

**অমসুং**

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি শকাইরবা মীওইশিংদা পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোকখ্রে। মনা ফংলবশিংগী মনুংদা মনিপুরদগী মচিনহান সাসা য়াওরি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**রি-পোল(এল)ঃ** ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা ঙসি অমুক হন্না ভোট থাদনখ্রে, চাদা ৮৫ গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি।

থা অসিগী ১৯ দা অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখিবদা হিংশা য়াওনা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবদগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ অসিদা অমুক হন্না ভোট থাদহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা লাউথোকখিবনি।

ঙসি অমুক হন্না ভোট থাদনখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি-খুরাই বিধান সভা কেন্দ্রগী মোইরাংকম্পু সাজেব অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, এস. ইবোবী প্রাইমারি স্কুল (ইষ্ট ৱিং), ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী বামোন কম্পু অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, পাইওনিয়র একাডমী, ইরিলবুং হায়স্কুল-নোর্থ অমসুং সাউথ ৱিং, থোংজ কেন্দ্রগী নেসনেল চিলড্রেন স্কুল, উরিপোক কেন্দ্রগী ইরোইশেম্বা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ইর্ষ্টন, ৱের্ষ্টন অমসুং মিদল ৱিং অমদি কোন্থৌজম কেন্দ্রগী খাইদেম প্রাইমারি স্কুল (সাউথ ৱিং) নি। পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নিংথীনা অমসুং নিয়ম চুমা ভোট থাদনখি। পাউদম অমা--

**----সাউন্দ প্রেমচান্দ--**

**রেল্লি(এল)ঃ** নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ)কী মীরেপ কে.তিমোথি জিমিকা হায়রি-মহাকা করিগুম্বা মীখলদা মায়পাক্লক্লবদি মনিপুরদা শান্তি পুরকবা হোৎনগনি। রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা অমসুং মীয়াম মরক্তা মান্নবা থাক পুরকবা হোৎনবনা মহাকা মহাক্কী ইহান হান্না পায়খৎকদবা থবক ওইগনি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী এপোলো গ্রাউন্দা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়মদা ঙসি পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শ্রী তিমোথি জিমিকনা হায়- তমেংলোং জিলা অসি লমগী পাক চাউবা মরাং কায়না লৈবা লমদম অমা ওইবনা মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙান থবক থৌরম কয়া পায়খৎকনি।

মসিগা লোয়ননা টুরিজম সেক্তর চাউখৎহন্দুনা নহা কয়াদা থবক পীবা ঙমবা হোৎনগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এন.পি.এফ মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ত অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়-বি.জে.পি অমসুং এন.পি.পিনা শৌগৎপা এন.পি.এফকী মীরেপ্প্ মীখলদা মায়পাকহনবা হায়বসি মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিং পুশিন্নহনবগা পাঙখকি।

রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা লোক্তাক দিভলপমেন্ত ওথোরিতি (এল.দি.এ)গী চিয়রমেন অমদি বি.জে.পি লুচিংবা এম.অসিনি কুমারনা হায়-তমেংলোং জিলাদা এন.দি.এগী কর্ম্মীশিংনা হোৎনরিবা কয়া অসি শিংথানিংঙাই ওই। বি.জে.পিনা দলগী খেৎনবা থমদনা মনিপুর মীয়ামগী সেবা তৌগনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুদগী হোংবা লৈতে। রাজ্য অসি মাংদা চংশিন্নবা হোৎনবদা বি.জে.পিনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি।

মীখলগী রেল্লি অদুদা ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুম, এম.এল.এ জাংহেমলুং পানমৈনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

**স্ত্রোংরুম(এল)ঃ** মনিপুরদা অনিশুবা তাঙক্কী লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা নোনে জিলাগী মনুং চনবা নুংবা বিধান সভা কেন্দ্রদা হাংদোক্কদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদশিং শেমশাবা অমসুং পানখৎপগী থবক হয়েংদগী হৌরগনি। তমেংলোং জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা চথুগদবা থৌরম অদুদা রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াননবা নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

তেংনৌপল জিলাগী ওইনসু ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদশিং শেম শাবা অমসুং পানখৎপগী থবক হয়েংদগী হৌরগনি। মসিদা রাজনিতি দল অমসুং মীরেপশিংগী মীহুৎশিংনা চান্দেল জিলাগী দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্সতা লাক্তুনা শরুক য়ারনবা তেংনৌপল জিলগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা খঙহল্লি।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** আউতর মনিপুর লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কামজোং জিলাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ তৌগদবা বি.এল.ওশিংগী অরোইবা রাউন্দগী ত্রেনিং ঙসি পাঙথোকখ্রে। ত্রেনিং অদু উখ্রুল মিনি সেক্রেটরিয়েত্তা লৈবা কামজোং ইলেক্সন হোলদা পাঙথোকখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা কামজোং ফুংয়ার, কাসোম অমসুং সাহমফুং সব-দিভিজনশিংগী বি.এল.ওশিংনা শরুক য়াখি।

**জিরি(এল)ঃ** অনিশুবা তাঙ্কক্কী আউতর লোক সভা মীখলদা ভোটরশিংনা মখোয় মখোয়গী অপাম্বা মীরেপশিংদা মনিং তমা ভোট থাদহন্নবগী পান্দমদা সিষ্টেমেতিক ভোটরস ইদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন কেম্পেইন জিরিবাম জিলাদা মায়পাকা চথরি।

চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর মনিপুরগী লমজিং মখাদা মনিপুর ইনোভেসন সোসাইতি অমদি জিরিবামগী য়ুথ ভোলুন্তিয়রশিংগা খুৎশমরগা শান্তি ওইবা মীখল ওইহল্লসি, ঐহাক শোইদনা ভোট থাদগনি হায়বা ৱাখল্লোনদা জিলা অদুগী মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা মীখলগা মরী লৈননা মীয়াম্বু খঙহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। মীয়াম তিনবা কৈথেলশিং অমদি রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিংদা ৱাহং হংবনা থৌরম অদুগী মরুওইবা শক্তমশিং ওইখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেংনবা ব্রেক অমা--(বাবিনা)**

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--

**খোংজোম(এল)ঃ** মনিপুরদা হয়েং খোংজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কনি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাগী খেবা চীংদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি । থৌরম অদুদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েলদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। তুংদা গার্দ ওফ ওন্নর, জেনরেল সেলুট, রিভরস আর্মস, লাস্ত পোস্ত খোংবা, মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্পা, স্লোপ আর্মস অমসুং ওদর আর্মস পাঙথোক্লবা মতুং পাউনা ব্রজাবাসিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। মফম অদুদা গন সেলুট পীরবা মতুং খোংজোম তুরেলদা তরপন কৎকনি। থৌরম অসি ককচিংগী মচিন মনাও চীংদসু পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবশিং অমসুং লুপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী ইপা ইপুশিংনা মতমদুদা লৈবাক্কী নিংতম্বা ঙাকবা হোৎনবদা থৱাইনা পোন্থা পীখিবা অদু ঙসিসু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। মখোয়গী লিংজেল অমসুং হনবা লৈতবা থৌনা অদুনা মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশকী মায়োক্তা লাম্থেংনবা ঙমখি। নুমিৎ অসিদা মখোয়গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়গী খুদুং ইন্দুনা লমদম অসিগী অমত্তা ওইবগী শক্তম ঙাকবা হোৎনসি । লোয়ননা নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা ইং তপ্পা অমদি শান্তি পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

পাউজেল অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়-নুমিৎ অসি মনিপুরগী ওইনা য়ামা মরুওইবা নুমিৎ অমনি। ইং ১৮৯১ গী এংলো-মনিপুরি লানদা মরৈবাক নিংবা পাউনা ব্রজাবাসিনা লুচিংদুনা অথৌবা কয়ানা বৃটিশকি মায়োক্তা ইমা লৈবাক্কী নিংতম্বা কন্নবগীদমক হনবা লৈতনা লানথেংনখি অমদি ইমা লৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখি।

নুমিৎ অসি লাকপনা মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ঐখোয়দা অচৌবা পরা অমা তন্বীরে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগা লোয়ননা মহৌশাগী নুংশি চান্নবা অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়রি।

পাউজেল অমদা রুরেল দিভলপমেন্ত অমসুং পঞ্চায়তি রাজ অমদি মহুদ মন্ত্রি য়ুমনাম খেমচান্দনা হায়- শেংলবা খোংজোম নুমিৎনা লাকপদা মতমদুগী মমা লৈবাক নিংবা অথৌবশিংনা বৃটিশশিংগী মায়োক্তা ইরমদম্বু মীখা পোন্দনবা হনবা লৈতনা শোকখিবা লানফম অদুদা মথ্বাই কৎখিবশিং অদুবু নৌহৌননা নিংশিংল্লি।মখোয়গী মফমদা কোক নোননা ইকায় খুমফম থোকই। নুমিৎ অসি মনিপুরগী ইতিহাসতা চহি খুদিংগী হেন্না মশক থোকপা নুমিৎ ওইদুনা লাক্লি। মতমদুগী মথৌনা ফরবা অথৌবশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা হনবা লৈতনা উৎখিবা থৌনা অদু ঙসিগী মীরোলনা মতম চুপ্পদা নিংশিংফম থোকই।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুর বিধান সভাগী সদস্যা আর.কে ইমোনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউলেদা শ্রী ইমোনা হায়- মতম অদুগী অথৌবশিংনা হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা লানফমদা মথ্বাই কথোকখিবা অদু ঐখোয়না নিংশিংফম থোকই।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা আইননা থীংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী অপুনবা লুপ কোরকোমনসু মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।লুপ অসিগী মেদিয়া কোর্ওদিনেতর এম.শকহেননা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইমা লৈবাক্কীদমক মতমদুগী অথৌবশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱাই থাখিবা অদুগুম্বা থৱাই অমগী মমল কনানসু লেপ্পা ঙম্লোই । লৈবাক্কীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা হন্নবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা লানফম অদুদা মথ্বাই কৎথোকখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোরকোমনা ইকায় খুমবা উৎলি হায়রি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)নসু মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**দে (এল) ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদ পাঙথোকবগুম ৱার্ল্ড আর্থ ডে, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা ঙসি পোরোমপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। পালন থৌরম অসিগী কুমশি চহিগী হিরমদি -প্লানেট ভর্সেস প্লাষ্টিক্স হায়বসিনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমার হায়-ৱার্ল্ড আর্থ ডে অসি ইং ১৯৭০ গী এপ্রিল ২২ দগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি, হোংলক্লিবা মালেমগী অইং আশাগী খল অসিদা ঐখোয়গী মালেমবু ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসিনি।

**--সাউন্দ বাইট--(ব্রজকুমার)**

থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর, প্রোফেসার এন. রাজমুহোন সিংহ, মহুদকী কম্মিসনার এম. জোয় শরুক য়াখি।

উখ্রুল জিলাদসু ঙসি ৱার্ল্ড অর্থ দে থৌরম পাঙথোকখি। রাজ্য সরকারগী দিরেক্তরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জরনেলিস্ত এসোসিয়েসননা পুন্না শীন্দুনা থৌরম অদু উখ্রুলগী সেন্থ জোসেফ কলেজগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি।

প্লানেট এন্দ অর্থ হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা প্লাষ্টিক শিজিন্নদুনা মাংহনবা কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা প্লাস্তিক শিজিন্নবা হন্থহন্নবা পুন্না ৱাশকমীন্নখি।

**এ.আর(এল)ঃ** কামজোং জিলাগী কাংখুল ভিলেজদগী অসাম রাইফলসনা ঙসি আইননা থীংখ্রবা লালহৌলুপ অহুমগী মীওই ৫ ফারে। অসাম রাইফলসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা চংশিন্দুনা থীবা হুন্থবগী থবক চথবদা কে.ৱাই.কে.এল-প্রিপাক অমসুং এন.এস.সি.এন(আই.এম)গী মীওই ৫ অদু ফাখিবনি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা লাখ ১ লিশিং ৮৬ শু ফাগৎখি। ফারবা মীওইশিং অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক মনিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে।

**কন্দেম(এল)ঃ** ইমাগী মৈরাগী কনভেন্নর থোকচোম সুজাতাগী শিংজমৈ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদা শক খঙদবশিংনা থা অসিগী ২০ দা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওংবু শিংজমৈ অপুনবা লুপ (সাল)না য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা অৱা অনা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা কোইচেন চেন্দুনা হোৎনজরিবা মীওই অমগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং অসি য়ামা চুমদবা থৌওং অমনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক থোকহনবিগনু হায়না শিংজমৈ অপুনবা লুপনা চেরোল অমদা আপিল তৌরি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** দি.এস.এফ বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা ঐচ.পান্থোইবি দেবী মেমোরিয়েল অন্দর-থার্টিন বোইজ ফুটবোল লিগকী ঙসিগী মচেটশিংদা টি.জি.ই.এসনা সোসিয়েল ৱেলফ্যার ক্লব বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তর অমসুং বলানন্দা ফুটবোল একাদমি পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে অদুগা য়ুথ ৱেলফ্যার ওর্গনাইজেসন অমসুং টি.ৱাই.দি.এ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** সি.ৱাই.এল.সি গ্রাউন্দ চাংঙা মথক্তা চথরিবা ৫ শুবা সঙাই ট্রোফি ভেতারান্তস ফুটবোল চেম্পীয়নসিপকী ঙসিগী মেটচতা ই.এম.ভি.এফ.সিনা এম.য়ু.এস.এবু পাঞ্জল ৩- ১ দা অমসুং আই.ভি.এফ.এনা ফ্লাম্বু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা চহি ১৫ মখাগী নুপা মচাগী অমসুং চহি ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপী মচাগী জিলা থাক্কী সুব্রোতো মুখরজি ফুটবোল টুরনামেন্ত মথং থাগী ২১ দগী ২৫ ফাওবা লাঙ্গিং ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দা পাঙথোক্লগনি।

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টকী চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংনা টুরনামেন্ত অসিদা শরুক য়ানবা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি ।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**এৱার্দ ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি লৈবাক অসিগী শকাইরবা মীওইশিংদা পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোকখ্রে। রাজ্য অসিগী উখ্রুল জিলাগী নুংবি হায়রগা
খঙনবা নোংপী খুলদগী মমিং লৈরবা চাফু শাবা মচিনহান সাসাদা পদ্মাশ্রি এৱাদ খুশিন্নখ্রে।

নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা সিভিল ইভেস্তিচর থৌরমদা হান্নগী উপ-রাষ্ট্রপতি এম. ভেনকয়া নাইদু অমসুং ভারত নাটয়মদা ডাঃ পদ্মা সুব্রমনিয়ম অমসুং বিন্দেশ্বর পাথকতা পদ্মা ভিভুসন পীদুনা ইকায় খুমখি। বিন্দেশ্বর পাথকতি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মনা অসি পীবনি। পদ্মা ভুসন ফংলবশিংগী মনুংদা- এক্তর মিথুন চক্রাবোর্তি অমসুং শৈশাকপী উসা উথুপ য়াওরি। ফিলান্ত্রোপিস ডাঃ সিতারাম জিন্দাল, কার্দিওলোজিষ্ট ডাঃ তেজাস মধুসুদন পাতেল অমসুং হান্নগী উত্তর প্রদেশকী রাজ্যপাল রাম নায়কসু পদ্মা ভুসন পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ পদ্মা এৱার্দ অসি কেটগোরি অহুমদা পীবনি। মখোয় অদুদি- পদ্মা ভিভুসন, পদ্মা ভুসন অমসুং পদ্মা শ্রীনি

**এন.আই.এঃ** পাকিস্তাননা শৌগৎপা তেরোরিস্তশিংনা চথরকপা তেরর কন্সপেরেসি কেসকা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেস্তিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না জম্মু কাস্মীরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি থীবা হুন্থবগী থবক চথখ্রে। লাসকর -ই-তোইবা, জৈসে মোহমদ, হিজবুল মুজাহিদিন অমদি অলকায়দগা শমরন্থা য়াই চিংনবা মফমশিংদা এন.আই.এন রেদ অদু চথখিবনি।

এন.আই.এনা চেরোল অমদা হায়-রেদ চথবা অদুদা তোঙান তোঙানবা দেতাশিং য়াওবা দিজিতেল দিভাইস কয়ামরুম ফাগৎলে। দিভাইসশিং অদু কুপা থীজিনবদা লৈবাক অসিদা অকি অখণ্ড পোকহনবা য়াবা ৱাফম কয়াগী ৱারি ৱাতাই শান্নবা অমদি বোম পোখায়হন্নবগী থৌরাং তৌবা কয়া য়াওরি। তেরোরিস্তশিং অসিনা মরুওইনা জম্মু কস্মীরগী নহাশিংদা আইননা য়াদবা থবক কয়া চথদুনা নহাশিংবু কীহন্নবা হোৎনৈ হায়রি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)       ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১ দা ঙসি অমুক হন্না ভোট থাদনখ্রে, চাদা ৮৫ গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি।

২) এন.পি.এফকী মীরেপ কে.তিমোথি জিমিকা হায়রি-মহাকা করিগুম্বা মীখলদা মায়পাক্লক্লবদি মনিপুরদা শান্তি পুরকবা হোৎনগনি।

৩)     মনিপুরদা হয়েং খোংজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কনি।

৪) মালেমগী অতৈ মফমশিংদ পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড আর্থ ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে ।

**অমসুং**

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি শকাইরবা মীওইশিংদা পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোকখ্রে। মনা ফংলবশিংগী মনুংদা মনিপুরদগী মচিনহান সাসা য়াওরি।

**--- পাউ লোইজরে---**